# কঙ ঃ তুং কোয়না শীজিন্নবা য়ারবা শা-ঙাগী মচিঞ্জাক

**সরাংথেম জেসমারানি**

মীশিং হেনগৎলকপগী মতুং ইন্না শঙ্গোম অমদি চাননবা শাশিংসি মরাং কায়না ফংলক্তবা অমদি মমল হেনগৎলকপগী অৱাবসি অসুম অসুম হেনগৎলক্লে। মীশিং হেনগৎলকপগী মতুং ইন্না লৌ-শীং অমদি উ-ৱা থারিবা মফম অয়াম্বা মী তাশিল্লকপনা শা-ষণনা চাননবা শজিক মরাং কায়না ফংলক্তবা, চরু অমদি চেঙকুপ খক্তনা শা-ষণশিংদা পীজবনা পোত্থোক মরাং কায়না ফংলক্তবসিনা শা-ষণ লোইবদা অমাঙবা কয়া অমা ওইহল্লক্লে। শা ষণশিংদা পীজনবা শজিক মরাং কায়না ফংলক্তবা অসিনা কঙ য়োকখৎপীরগা শজিক্কী মহুৎ শিনবীরগা শজিক্কী অৱাবসি খরা মখৈ কোকপা য়াই।

কঙদা মরাং কায়না য়াওরিবসি প্রোটিন, এমিনো এসিদস, ভিটামিনশিং (ভিটামিন এ, বি ১২, কেরোতিন), গ্রোথ প্রোমোটরস, মিনরেলশিং হায়বদি কেলসিয়ম, ফোসফরস, ফেরস, কোপর, মেগনিসিয়মনি। রিপোর্টকী মতুং ইন্না কঙ অকংবদা য়াওরিবা প্রোটিনগী চাংসি চাদা ২৫-৩৫ নি।, মিনরেলগী চাংনা চাদা ১০-১৫ নি অমদি অপূনবা এমিনো এসিদসকী চাংনা চাদা ৭-১০ য়াওই। কঙদা কার্বোহাইদ্রেটকী চাং য়াম্না হন্থনা য়াওই মসিনা মরম ওইদুনা শা-ষণগী মচিঞ্জাক ওইবা য়াম্না কান্নবা অমা ওইরে। কঙদা চাং ৱাংনা য়াওরিবা প্রোটিন অমদি লিগনিনগী চাং হন্থনা য়াওবনা শা-ষণশিংনা চাবদা য়াম্না লায়না তুম্বা ঙম্মী।

কঙসি খোঙবান লুপান অমদি পুখ্রিদা মরাং কায়না ফংদ্রবসু ইশাগী শা-ষণশিংনা চানবা য়ূমদা ইরায় লায়না থাবিবা য়াই। মফম চাবা অমদি উরুম লাংবা জগা অমদা কোম মচা অমা মিটর ২ পাকপা ২ শাংবা ০.২ লুবা অমা তৌবিরবা মতুংদা মনাক নকপদা লৈরিবা উ-ৱাশিং অমদি পাম্বীশিংগী মরা চঙলক্তনবা পোলিথিন শীট খরা থাবা অমা মখাদা থাবীগনি। তৌরিবা কোমদুগী মথক্তা থারিবা পোলিথিনদুগী মথক্তা লৈবাক অকুপ্পা কেজি ১০-১৫ চাইথোকপীরবা মতুংদা ষন্থি কেজি ২, সিঙ্গল সুপর ফোসফেট কিলো ১০ চাইথোকপীগনি মসিগী মতুংদা ঈশিং কোমদুদা হৈজিনবীদুনা সের্ন্টিমিটর ১০ ফাওবা থানা থম্বীরবা মতুংদা গ্রাম ৫০০ দগী কেজি ১ ফাওবগী কঙ হাপীগনি। করিগুম্বা মতুংদা ঈশিং খরা ৱাৎপা তারগসু খরা হেন্না অমুক হাপ্পীগনি। কঙশিং য়াম্না থুনা হৌবা মরম্না নুমিৎ ১০-১৫ ফাওবগী মনুংদা কঙ থল্লিবা কোমদু পুমথন থল্লি অমদি গ্রাম ৫০০-৬০০ ফাওবগী চাংদা নুমিৎ খুদিংগী লৌখৎপীরগা শীজিন্নবা য়ারে। নুমিৎ মঙানি খুদিংগী গ্রাম ২০ গী সিঙ্গল সুপরফোসফেট অমদি কেজি ১ গী ষন্থি হাপ্পীরগদি থুনা হৌহনবদা মতেং চাউনা পাঙই। মাইক্রোন্যুট্রেন্টশিং হায়বদি মেগনিসিয়ম, আইরন, কোপ্পর, সলফর অসিনচিংবা ময়ামসু হপ্তা খুদিংগী হাপ্পীবদা হেন্না থুনা কঙগী মশীং য়ামহনবদা অচৌবা মতেং পাঙহল্লি।

**শা-ষণগী মচিঞ্জাক কঙ ওইনা পীজবা ঃ**

শা-ষণদা পীজনবা কঙ কোৎপা মতমদা পোলাং অমা মখা জালি ওইবদা কোখৎপীরগা ঈশিংদা নিংথিনা চামথোকপীগনি মরমদি কঙ মচা পোক্লবা ষন্থি শীজিন্নবনিনা কঙদসু ষন্থি মনম য়াওরকই মসিনা কঙ চাবগী চাং হন্থরকই। কঙ চামথোকপগী মহিদু কঙ লৈরিবা কোমদুদা অমুক হৈজিনবীগনি। য়েন, ঙানুশিংদা পীজবা মতমদা কঙনা শরুক অনী থোকপগী অমা ওইহল্লগা অতোপ্পা শরুক অমনা মচিঞ্জাক ওইহল্লগা পীজবা য়াই। মসি মরুম কোকপী য়েন অমদি ব্রোইলরদসু পীজবা য়াই। অচৌবা শাশিংদদি অতোপ্পা অহেনবা সপ্লিমেন্ট য়াওদ্রগসু কঙ খক্তা পীজবনা মাগী পোৎথোক হেন্না ফংহনবা ঙম্মী।

**কঙদা য়াওরিবা ন্যুট্রেন্টশিং অমদি মসিগী কান্নবা - হঙ্গৎনা য়েংবদা ঃ**

কঙদা য়াওরিবা ন্যুট্রেন্ট কন্টেন্টশিংসি কৈথেলদা ফংলিবা য়েনগী মচিঞ্জাক্কা ন্যুট্রেন্ট কন্টেন্ট অদুমক চপ মান্নে অদুবু কঙদনা প্রোটিনগী চাংসি ৱাংনা লৈ অদুগা কেলসিয়মগী চাংনা নেম্না লৈ। য়েনগী মচিঞ্জাক্তা কঙ হাপ্লগা পীজরগা য়েংবদা ফংলিবসি পীজগদৌরিবা য়েনগী মচিঞ্জাক্তুদগী কঙনা চাদা ২০-২৫ না শিনবদা য়েনগী অরূম্বদা অকায়বা অমত্তা লৈতে। য়েন মচিঞ্জাক্কা চাদা ৭৫ অদুগা কঙনা চাদা ১২.৫ পীজবগা মচিঞ্জাক ঙাক্তা পীজবগা লূম্বা চপ মান্নে। য়েন্দা হেন্না পীজরম্বা মচিঞ্জাক্তা অমুক তোঙান্না কঙ চাদা ৫ হাপ্লগা পীজবদা য়েনগী অরূম্বা চাদা ১০-১২ হেনগৎলি। ব্রোইলরগী মচিঞ্জাক্তা অহেনবা চাদা ১০ হাপ্লগা পীজবদা অরূম্বা হেনগৎলি। কঙ পীজবনা য়েনগী মরুম কোকপা হেনগৎলি অমদি য়েরুমগী ক্বালিটিসু হেনগৎলি। কঙ পীজবনা য়েরুমগী মমুৎসু হঙ্গামপাল মচুদা খরা মুসন্না লৈ। ষণশিংদসু মচিঞ্জাক্তা কঙ হাপ্লগা পীজবদা শঙ্গোম থোকপা হেনগৎলি অমদি শঙ্গোমগী ক্বালিটিসু হেনগৎলি। কালেনগী মতমদা কঙ পীজবনা শঙ্গোম চাদা ১০-১৫ দা হেনগৎলম্বদুদগী চাদা ২০ হেনগৎলি।

কঙসি বাইওফর্টিলাইজর ওইনা শীজিন্নবগী মথক্তা তুং কোইনা শা-ষণশিংগী মচিঞ্জাক ওইহৌনবা য়োকখৎলসি অমদি হেন্না পোৎথোক পুথোক্তুনা মীপান তাংদবা অমা ওইহনলসি। ●

# মোলিবদেনমনা লৌউ-শিংউবদা লৌরিবা থৌদাং

**ডা. ৱাইখোম জিতেন**

পাম্বী অমনা মপূং মরৈ ফানা, চাথোক লৈনা পোত্থোক পুথোক্লবা হোৎনবা মতমদা চঙলিবা তোঙান তোঙানবা পাম্বীগী মচিঞ্জাকশিংগী মনুংদা মোলিবদেনম হায়বসিসু অমনি। পাম্বীগী মচিঞ্জাক মখল অসি পাম্বীনা চাং য়ামদনা দরকার লৈবা অদুগা য়াওদবদি য়াদবা অমা ওইবনা মসিবু মাইক্রোন্যুত্রিএন্ট হায়রগা খঙনৈ। মপূং ওইনা মোলিবদেনম অসি অশিনবা লৈবাক লৈহাও ওইবা মফমদা পাম্বীনা ফংবগী চাং য়াম্না নেমই। অদুগা অমরোমদা কোবি, হঙ্গামগী কাঙলূপকী পাম্বী মখলশিংদা মোলিবদেনম দরকার লৈবগী চাং ৱাংবনা মরম ওইদুনা মোলিবদেনম ৱাৎপগী লায়ওং তোয়না উৎলক্লি।

পাম্বীশিংদা মোলিবদেনমনা লৌরিবা থৌদাং :

(১) হিংকুপশিংনা নাইট্রোজেনবু মওং অমদগী মওং অমদা ওন্থোক ওনশিন তৌবদা মোলিবদেনম অসি চঙদ্রবা য়াদ্রবা পাম্বীগী মচিঞ্জাক মখলনি।

(২) লৈবাক্তা মোলিবদেনম চাইবা নৎত্রগা মনাদা মোলিবদেনম কাপ্পনা পাম্বীদগী কান্নবা লৌবা নত্তবা অদুগা মখোয়দা নুংশিত্তগী ফাজিনবা নাইট্রোজেনবুদি পাম্বীদা ফংহনবা ঙম্বা বেক্টেরিয়া মখলশিংগী মশীং হেনগৎহনবা অমদি নুংশিৎতগী নাইট্রোজেন য়াম্না ফাজিনবদা মতেং পাংই।

(৩) মোলিবদেনম অসি পাম্বীগী এঞ্জাইম মখল খরগী চঙদবা য়াদ্রবা মচল অমনি।

(৪) নুংশিত্তগী নাইট্রোজেন ফাজিন্দুনা শীজিন্নবা পাম্বী মখল খুদিংমক্তা মোলিবদেনমগী দরকার লৈবগী চাং অসি ৱাংই।

(৫) মীওইবগী হকচাংদা লায়না কয়া থোকহনবা ঙম্বা সলফাইট হায়বা পোৎলম অসি সলফেটতা ওন্থোকপদা মোলিবদেনমগী অচৌবা থৌদাং লৈ।

(৬) পাম্বী মশাশিংনা পুথোকপা হোর্মোনশিং শেম শাবদা মোলিবদেনমগী অচৌবা থৌদাং লৈ।

পাম্বীশিংনা মোলিবদেনম ফংহনবা অমসুং ফংহন্দবদা মতেং পাংবা হীরমশিং :-

(১) লৌফমদা শুনু চাইবা :- অশিনবা লৈবাক লৈহাও ওইবা লৌফমদা শুনু চাইবনা পাম্বীশিংদা মোলিবদেনম ফংবগী চাং ৱাংখৎহল্লি। লৌফম অদুগী লৈবাক্কী লৈরিকশিংদা ফাজিনখিদুনা পাম্বীশিংনা লৌবা ঙমদবা মওংদা লৈরম্বা মোলিবদেনমশিং অদু শুনু চাইবনা লৈবাক্কী লৈরিকশিংদগী থাদোরক্তুনা পাম্বীনা লৌবা ঙম্বা মোলিবদেনম ফংবগী চাং ৱাং-খৎহল্লি।

(২) লৈবাক্কী অশিন অয়াক :- অশিনবা লৈবাক লৈহাও ওইবা লৌফমনা পাম্বীশিংদা মোলিবদেনম ফংবগী চাং নেমই। অশিনবা লৌফমশিংদা ফৌ থাবা মতমদা লৌফম অদু ঈশিং থুমজিনহল্লবা মতুংদা ফৌদা মোলিবদেনম ফংবগী চাং ৱাংখৎলকপগী মরু ওইবা মরমদি লৌফম অদু ঈশিং থুমজিন্দুনা লৈবা মতমদা অশিনবা লৈহাও ওইরম্বদগী শিনসু শিন্দবা, য়াকসু য়াক্তবা লৌফম ওইরকপননি।

(৩) ষন্থি-ষণয়ুং নৎত্রগা পাম্বীশিংগী পথ্-পুমথরকপনা ওইবা লৈবাক লৈশা (ওর্গানিক মেট্টর) :- মপূং ওইনা অশিনবা লৈবাক লৈহাওদা ষন্থি-ষণয়ুং নৎত্রগা পাম্বীশিংদগী পথ্-পুমথরকপনা ওইবা লৈবাক লৈশাগী চাং মরাং কায়না য়াওবনা পাম্বীশিংনা মোলিবদেনম ফংবগী চাং ৱাংবগী মরু ওইবা মরমদি অশিনবা লৌফম ওইবনা পাম্বীশিংনা শীজিন্নগদবা মোলিবদেনম অদু লৈবাক্কী লৈরিকশিংনা ফাজিনখিগদবদগী ঙাকথোকপননি।

(৪) অতোপ্পা পাম্বীগী মচিঞ্জাকশিং :- সলফর কৌবা পাম্বীগী মচিঞ্জাক অদু কা হেন্না চাইবা লৌফমদা মোলিবদেনম পাম্বীশিং ফংবগী চাং নেমই। অমরোমদা অশিনবা লৌফমদা পাম্বীশিং ফোসফরস য়াওবা হার মরাং কায়না চাইবনা পাম্বীশিংনা মোলিবদেনম ফংবগী চাং ৱাংখৎহল্লি।

(৫) লৌফম অদুগী ঈনিলগী চাং :- ঈশিং থুমজিন্দুনা কুইনা লৈগনবা, খোঙলৈ থুনা ঈশিং চিথোকপা ঙমদবা লৌফমশিংনা পাম্বীশিংদু মোলিবদেনম ফংহনবগী চাং নেমই।

(৬) হিংকুপশিংনা লৌরিবা থৌদাং :- মাইকোরজানা পাম্বীগী মরাদা নপ্তুনা লৈবা পাম্বীশিংনা মোলিবদেনম ফংবগী চাং ৱাংই।

(৭) অঙ্গৎ-অশা : কা হেন্না ঈংবা নৎত্রগা শাবা লৌফম্না মোলিবদেনম ফংবগী চাং নেমই।

পাম্বীশিংদা মোলিবদেনম ৱাৎপগী লাইওং :- তোঙান তোঙানবা পাম্বীশিংদা মোলিবদেনম ৱাৎপগী লাইওং অসি তোঙান তোঙাল্লি। মরম অদুনা মোলিবদেনম ৱাৎপগী লায়ওং তোয়না উৎপা পাম্বী মখল খরগী লাইওংশিং মখাদা পীরি।

১) ফৌ :- ফৌনাদা মরুম মরুম ওইনা অশংবা মচু মাঙশিল্লকপগা লোয়ননা মথক থংবা মনাশিংগী মচুদা অঙৌবা মচেৎ মচেৎ ওইনা য়াওরকপা।

২) কোবি মরূ কাবী :- কা হেন্নসু পৌদবা, কা হেন্নসু লিদবা পাম্বীগী মনাশিংদা অশংবা মচু মাঙশিল্লকপগা লোয়ননা অনৌবা মনাশিংগী অশংবা মচু মাঙখিবা অদুগা মনাগী শরুকশিং অদুগী মতাই থংবা শরুকশিং কংশিনবা হৌরক্কনি। অনৌবা মনাশিং অদু মথকলোমদা কোন-খৎপা থেংনবীগনি।

৩) কোবী থমচেৎ :- মনাগী পাকফম থোকপা চাং অদু য়ৌদনা চপশাং শাংবা, মনাগী মচু কা হেন্না শংবা অদুগা মনা অমগী ওইফম থোকপা মওং অদু ওইদবা থৌওং অসিবু হ্বিপটেল হায়রগা খঙনৈ।

৪) কোবি :- মনাগী শরুকশিং তেঙ্কোৎ শাবগা লোয়ননা মনাগী মশীংশিং মঙ্গ্রা মচু ওইরকপগা লোয়ননা অনৌবা মনাশিংদা মচু ওল্লকপা অমদি কংশিল্লকপা।

৫) চমপ্রা, কোমলা : - মনাশিংগী মচু ওল্লকপগা লোয়ননা হঙ্গাম মপাল মচুগী মফুৎ মফুৎ ময়াম অমা মনাশিংদা লৈরকপা।

৬) হৱাই মখলশিং : হৱাই মখলশিংদা মোলিবদেনম ৱাৎপগী লাইওংসি পাম্বীশিংদা নাইট্রোজেন ৱাৎপগী লায়ওংগুম অরিবা মনাশিং হঙ্গাম মপাল মচু ওইরকই।

মোলিবদেনমগী হার মখলশিং অমসুং শীজিন্নবগী মওং :- পাম্বীশিংদা মোলিবদেনম ফংহন্নবা শীজিন্নবা য়াবা হার মখলশিংদি সোদিয়ম মোলিবদেট, এমোনিয়ম মোলিবদেট, মোলিবদেনম ত্রাইওক্সাইদ, মোলিবদেনাইট, মোলিবদেনম ত্রেন্টস পনবা য়াই। অয়াম্বা লৌফমদা থারিবা পাম্বী মখল অয়াম্বা মোলিবদেনম ফংনবগীদমক সোদিয়ম মোলিবদেট কেজি ০.৫-১ লৈবাক্তা চাইবা নৎত্রগা সোদিয়ম মোলিবদেট ০.১-০.২% গী চাংদা ঈশিংগা য়ানশিন্নরগা শেম্বা মহী কাপ্পা য়াই। অমরোমদা অমুক মোলিবদেনম ত্রাইওক্সাইদ গ্রাম ১০০না লৌ পরি অমা হুনগদবা হৱাই মরূদা ঈশিং খরা শীজিন্নদুনা তোৎশিন্দুনা তৈশিনবীরবদি হৱাইগী পোত্থোক হেনগৎহনবা ঙমই।

মথৌ তাবা পাম্বীগী মচিঞ্জাকশিং কাঙলোন চুম্না মওং চানা পীদুনা ঐখোয়গী পোত্থোক চাথোক হেনগৎহন্নবা হোৎনবা হায়বসি ঐখোয়গী তৌদবা য়াদ্রবা ইথৌদাং অমা ওইরে। ●

**ষ্টেটকী পাউ**

# ১৯৫১গী মতুংদা লাকপা নন-মণিপুরীশিং নবেম্বর ৩০ ফাওবগী মনুংদা ভোটর লিষ্টতগী লৌথোক্কদবনি : জে সী আই এল পী এস

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৪ (ঐচএনএস): কুমজা ১৯৫১গী মতুংদা লাকপা নন-মণিপুরী মীতোপশিং চহী অসিগী নবেম্বর ৩০ ফাওবগী মনুংদা ভোটর লিষ্টতগী লৌথোক্কদবনি। লোয়ননা আই এল পি পাস পায়দনা লৈরিবা অমদি পাসতি পায়রগা মতম লোয়রবা মতুংদা ময়ুমদা হনখিগদবগী মহুৎতা নীংঙাইদনা লৈথোক্লিবশিং থিদোকপগী থবক লৈঙাক্লা খুদক্তগী হৌগদবনি হায়না জে সী আই এল পী এসকী কনভিনর বি কে মোইরাংচানা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি কোঙ্গেং হাজারি লৈকায়দা লৈবা জে সী আই এল পী এসকী ওফিসতা পাঙথোকখিবা পাউজী মীফম অদুদা মহাক্না মখা তারদুনা হায়, মণিপুর গেজেটতা ফোঙখিবা মণিপুর ইন্নর লাইন পার্মিট গাইদ লাইনদা জোইন্ট কম্মিটি ওন ইন্নর লাইন পার্মিট সিষ্টম (জে সী আই এল পী এস)না তান্দুনা লাকখিবা য়েলহৌমী কন্নবা মচাকশিং য়াওদ্রি। মচাকশিং অদু য়াওদবা মরম্না লৈঙাক অসিদা জে সী আই এল পী এসনা থমজনিংলিবা ৱাফমদি লাক্কদৌরিবা জেনরেল ইলেক্সনগী কোদ ওফ কন্দক্ট লাক্লিঙৈগী মমাংদা য়েলহৌমী কঞ্জনবা মচাকশিং হাপ্তুনা মীয়াম্না য়াবা লো অমা শেমগদবনি। লৈঙাক্লা শেমগদৌরিবা লোগী মনুংচন্না লমদম অসিগী য়েলহৌমীশিং মশক লেপথোক্কদবনি। বেঙ্গোল ইষ্টর্ন ফ্রন্টিয়র রিগ্যুলেসনগী গেজেটতা ফোঙখিবা অদুদা য়েলহৌমীগী মশক লেপথোকপগী ৱাফম য়াওদে। লোয়ননা পর্মিনেল রেসিদেন্ট হায়বদুসু কনানো হায়বা আইদেন্টিফাইট তৌদ্রিবা অদুসু তৌথোক্কদবনি। বেজ য়র অসিনা ১৯৫১ ওইগদবনি। মরমদি বেজ য়র ১৯৫১ হায়বসি মতম কয়াদগী তান্দুনা লাকখিবনি। বেজ য়র ১৯৫১ বু য়াম্না ষ্ট্রিক ওইনা থমজরিবা অসিগী মরমদি নিংতম্লবা মতুংদা কুমজা ১৯৫১দা সেন্সস থিবা হৌখিবনি। মরম অদুনা বেজ য়র অসি ১৯৫১ ওইগদবনি। মণিপুর লৈঙাক্না পোপ্যুলেসন কম্মিসন শেমগনি হায়না ৱারেপ লৌখ্রবসু ঙসি ফাওবা কম্মিসন অসি শেম্বা লৈত্রি। মরম অদুনা অথুবা মতমদা পোপ্যুলেসন কম্মিসন শেমদুনা থবক তৌবিগদবনি। লোয়ননা কুমজা ১৯৫১গী মতুংদা লাকপা নন-মণিপুরী মীতোপশিং চহী অসিগী নবেম্বর ৩০ ফাওবগী মনুংদা ভোটর লিষ্টতগী লৌথোক্কদবনি।

লোয়ননা পাউগী মীফম অদুদা মহাক্না মখা তারদুনা হায়, আই এল পি পাস শুকপাই পায়দনা লৈবা নন-মণিপুরী কয়া মণিপুরদা লৈরে হায়বসি জে সী আই এল পি এসনা থেংনরে। মরম অদুনা আই এল পি পাস পায়দনা লৈরিবা অমদি পাসতি পায়রগা মতম লোয়রবা মতুংদা ময়ুমদা হনখিগদবগী মহুৎতা নীংঙাইদনা লৈথোক্লিবশিং থিদোকপগী থবক লৈঙাক্লা খুদক্তগী হৌগদবনি। ওইরক্লিবা ফীভম অসি আই এল পি রিগ্যুলেসন লৈনা-লৈনা নীংথিনা চেক তৌদবা অমদি মোনিটর তৌদবা মরম্না ওইরক্লিবনি। জে সী আই এল পি এসকী মায়কৈদগীসু থা অসিগী ১৭তগী দ্রাইভ তৌবা হৌরদুনা ফাগৎপা হৌরগনি। কুমজা ২০১৯গী দিসেম্বর ৩১দা মণিপুরগী গেজেটতা ফোঙখ্রবা আই এল পিগী গাইদ লাইনগী সেক্সন ৭ ক্লোজ এবু চৎনররোই হায়না গভর্ণরগী মীংদা দেপ্যুটি হোম সেক্রেটরিনা ওর্দর অমা থোকখি। মদু জে সী আই এল পি এসনা য়াবা ঙম্লোই, ওর্দর অদু অথুবা মতমদা হন্দোক্কদবনি। সেক্সন ৭ ক্লোজ এদা হায়রিবা ৱাফমদি ইন্নর লাইন পার্মিটকী মোরে অমদি বেহাংদা লৈরিবা চেক গেট পোষ্টশিং অসি চৎনররোই-থল্লরোই হায়বনি। মসিসু জে সী আই এল পি এসনা য়াবা ঙম্লোই। মোরে অমদি বেহাংগী চেক গেট পোষ্ট অনী অসি ম্যানমারগা তাইনবা মফমনিনা ফোরেনর নত্তনা অতোপ্পা মীওইশিং লাক্লোই। ফোরেনর লাক্লবসু ফোরেনর এক্টনা অদুমক য়েংশিনখ্রগনি হায়বগী ৱাখল্লোল অমদি মীৎয়েংদা চেক গেট পোষ্ট অনী অসি লৌথোকনবা হোৎনরম্বা য়াই। অদুবু ৱাফম অসিগী মতাংদা জে সী আই এল পি এসনা য়াবা ঙম্লোই হায়রিবগী মরম্না ইন্দিয়াগী টুরিষ্ট ময়াম অমা থাইলেন্দ, রেঙ্গুন, লাউস, চিনা লোমদা চৎলুরগা মণিপুর ফাওরগা মখোয় হল্লকপা তারগদি টেম্পরি পাস অমা পীরগা চঙলক্কদবসু ফ্রিদা চঙলক্কদৌরি। মরম অদুনা চেক গেট পোষ্ট অনী অসি অদুমক থমগদবনি। মসিগী মথক্তা ম্যানমার মনুংদা ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা সিটিজেন কয়া অমসু লৈরি। মখোয়না অরোন-অথুপগী ওইবা থবকশিংদা চঙথোক-চঙশিনগী থবক কয়া তৌরমগনি হায়বগী চিংনবসু লৈ। মরম অদুনা আই এল পি রিগ্যুলেসন এক্ট নীংথিনা চৎনহনবা মথৌ তাই। মসিগী মতাংদা অথুবা মতমদা জে সী আই এল পি এসনা লৈঙাক্তা মেমোরেন্দম অমসু পীশিল্লগনি। লোয়ননা আই এল পি মপুং ফানা চৎনহন্নবা খোঙজংশিং অকনবা মওংদা চঙশিনবা হৌরগনি। জে সী আই এল পি এসকী হান্না চৎনরম্বা লেটর হেদ, রিসিপ বুকশিংসু চৎনররোই। অনৌবা লেটর হেদ অমদি রিসিপ বুক চৎনরগনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

# পাৎশোই এ সীগী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট আর কে রামেশ্বরবু তরাম্না ওকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৪ (ঐচএনএস): চহী অহুম চুপ্পা চঙাঙ্গৈগী খুঞ্জাশিংদা থক্লনবা অফবা ঈশিং ফংহল্লকখিবদা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লাকখিবা পাৎশোই এ সীগী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট আর কে রামেশ্বরবু ঙসি চঙাঙ্গৈ ভিলেজ ৱাটর এন্দ সেনিটেসন কম্মিটি অমদি চঙাঙ্গৈগী খুঞ্জাশিংনা তরাম্না ওকখ্রে।




চঙাঙ্গৈ ভিলেজ ৱাটর এন্দ সেনিটেসন কম্মিটিনা শিন্দুনা চঙাঙ্গৈগী ৱাটর সপ্লাই কেম্পসতা পাঙথোকখিবা তরাম্না ওকপগী থৌরম অদুদা আর কে রামেশ্বরনা ফোঙদোকখিবদা হৌখিবা চহী কয়াদগী চঙাঙ্গৈগী খুঞ্জাশিংনা থক্লনবা অফবা ঈশিং ফংদবগী অৱাবা কয়া মায়োক্লদুনা লাকখিবনি। অদুবু ঙসিগী থৌরম অসিদা ঐহাক্না চঙাঙ্গৈগী খুঞ্জাশিংদা থক্লনবা অফবা ঈশিং ফংহনবিরে হায়বিরিবা ৱাফম অসিদা হায়জনিংবদি ঐহাক খক্তনা থক্লনবা অফবা ঈশিং ফংহনখিবা নত্তে। মসিদা চঙাঙ্গৈগী খুঞ্জাশিংনসু অচৌবা মতেং পাংবিখিবনা চহী অহুম হেল্লকপা অসি ফাওবদা থক্লনবা ঈশিং ফংবা ঙম্লিবনি। শুপ্পগী ঐগী মায়কৈদগীদি ঐহাক্না তৌবা ঙমজবা থবক খরা অদু তৌজখিবনি। মসিগী ক্রেদিটতি চঙাঙ্গৈগী খুঞ্জাশিংদা পীবিয়ু হায়খি।

থৌরম অদুদা মহাক্না মখা তারদুনা হায়, ঙসি চঙাঙ্গৈ ৱাটর সপ্লাইগী লৈরিবা ফীভম অসিদগী অমুক্কা হেন্না অফবা অমা ওইরক্লবগীদমক ঐহাক্না তৌবা ঙমজবা থবকশিং মখা তানা তৌগনি। মসিদা মীয়াম্নসু মমাংঙৈগুম চাওনা মতেং পাংবিরক্কনি খঞ্জে। লাক্কদৌরিবা ইলেক্সনদসু শোয়দনা মায়পাক্কনি হায়বগী চপচাবা থাজবা লৈ। মরম অদুনা মীয়ামগা পুন্না চৎমিন্নদুনা চাওখৎপা ৱাৎত-পাদবা লমদম অমা ওইহন্নবা হোৎনবদা খুৎশম্নুনা চৎমিন্নসি হায়খি। ঙসিগী থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা চঙাংঙৈ ভিলেজ ৱাটর এন্দ সেনিটেসন কম্মিটিগী ভাইস প্রসিদেন্ট অবুজম নরজিৎনা ফোঙদোকখিবদা চঙাংঙৈগী খুঞ্জাশিংনা চহী খরগী মমাংদা থক্লনবা ঈশিংগী অৱাবা চাওনা মায়োক্লরম্বা অদু পাৎশোই এ সীগী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট আর কে রামেশ্বরনা অচৌবা মতেং পীবিদুনা খুঞ্জাশিংদা থক্লনবা অফবা ঈশিং হৌখিবা চহী অহুম লোম ফংহনবিরকখিবা অসিগীদমক হরাউ-নুংঙাইবা ফোঙদোকপা ওইনা ঙসিগী থৌরম অসি পাঙথোকপনি। লাক্কদৌরিবা ইলেক্সন অসিদা মহাক্না মায়পাক্লক্তুনা মীয়ামগী তৌনিংলিবা থবকশিং তৌবা ঙম্নবা পাৎশোয়গী মীয়াম্নসু সপোর্ট তৌবিয়ু হায়না ফোঙদোকখি।

অমরোমদা ঙসি পাৎশোই এ সী অসিগী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট আর কে রামেশ্বরগী ওইনা ১৯/১২ অমদি ১৯/১৩ তাকয়েল খোংবালদা ইলেক্সন কম্মিটি তাকয়েল খোংবাল য়ুনিট হায়বা ওফিস অমসু নৌনা হাংদোকখ্রে। থৌরম অদুদা তাকয়েল খোংবালগী খুঞ্জা কয়াসু শরুক য়াখি হায়রি।

OFFICE OF THE
CORE COMMITTEE OF SALAI AND SALAI INVESTOR
M.G. Avenue, Opp. Nirmalabas School, Imphal West, Manipur

ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE (খঙহঞ্জবা)

খুরুমজরিবা,

ইকায় খুম্নবদা মতিক চারবা SALAI GROUP OF COMPANIES/SMART Society গী Members, Share Holders, Promoters, Investors শিংগী মফমদা করিগুম্বা খরদং নীংশিংজরি মদুদি Members, Share Holders, Promoters, Investors শিংনা "Claim Form" অমমম লৌবিদুনা নীংথিনা য়েংবীরবা মতুংদা মেনশিনবীদুনা "Claim Form" অদু Office তা থাজিনবীনবা হায়জরি। "Claim Form" অদুদা য়াওরক্কদবা Documents খুদিংমক Photo Copy লৌবিরগা Self Attested তৌবিগদবনি। ইশাগী Identity (শকতাক চে/Aadhar Card, Voter ID, Driving Licence) অমা য়াওবিগদবনি।

Claim Form থাজিনখ্রবা অমদি Verified তৌরবা Members, Share Holders, Promoters, Investors শিংগী Contact Number দা পাউ পীজরক্কনি। লোইননা লাকপিবা মতমদা ইশাগী Original Documents শিং অদু লোইনবিরক্কদবনি।

SALAI GROUP OF COMPANIES/SMART Society/SALAI Financial Service/SALAI Land Development and Agricultural and Allied Activities Cooperative Credit Society Limited দগী Loan ওইনা লৌখিবশিংনা অথুবা মতমদা শিংদোকপীদুনা মীয়ামগী অৱাবা অসি কোক্লবা হোৎনবদা মতেং পাংবীয়ু।

Investor শিংনা লনাই ওইনা SALAI গী BOD নৎত্রগা Executive শিংদা শেল থৌবা তোকপীরগা Core Committee দা ওইনা পাউ পীবিদুনা পূন্না হোৎনমিন্নবা নোল্লুক্না খঙহঞ্জরি।

করিগুম্বা Member, Share Holders, Promoters, Investors শিংনা লৈখিদবা থোক্লবদি Nominee না Declaration অমা থাজিনবীরকউ। করিগুম্বা Passbook ফংদবা লৈরগদি, Receipt অদুগী Photo Copy অমা থাজিনবিরক্কদবনি।

থবক থৌরমশিং অসি তৌরকপা মতমদা পূম্নমক্না মতেং পাংবিদুনা অৱাবা অসিদগী খরদং ওইরবসু কোকমিন্নবা হোৎনমিন্নসি। মতম কুইনা ৱামিন্নরক্লবা SALAI গী Members, Share Holders, Promoters, Investors শিংবু Core Committee গী মায়কৈদগী থম্মোয় শেংনা থাগৎপা ফোঙদোকচরি। Members, Share Holders, Promoters, Investors শিংগী Cooperation না SALAI অমুক হন্না য়াকাইরকপা ঙমজবনি।

| | | |
|---|---|---|
| Claim Form ফংফম | ঃ | SALAI Office, Tera Sapam Leirak, Imphal, Manipur |
| Claim Form থাজিনফম | ঃ | 1. M.G. Avenue, Imphal West, Manipur<br>2. SALAI Office, Tera Sapam Leirak, Imphal, Manipur |
| Claim Form লৌবগী অমদি থাজিনবগী মতম | ঃ | 17th November 2021 to 30th December 2021<br>10.00 am to 2.00 pm |

অকূপ্পা ৱারোল খঙনিংলবসু মথক্তা পঞ্জরিবা Office অনি অসিদগী খঙবীবা য়াগনি।

Sd/- **Convenor**
Core Committee of SALAI and SALAI Investor
HL-P/608/11,13,15

ꯑꯦꯗꯃꯤꯁꯟ ꯑꯣꯄꯟ **ADMISSION OPEN** ꯑꯦꯗꯃꯤꯁꯟ ꯑꯣꯄꯟ

**PHOENIX ENGLISH COACHING**
**FOR CLASSES X (BOSEM) & XII (COUNCIL)**
**KHWAI BRAHMAPUR NAGAMAPAL, LAIMAYUM LEIRAK**
**Detailed explanation of every lesson**
**Complete discussion of exam-related questions**
**Free supply of printed questions and answers**
**Weekly exam-oriented tests.**
**Nowhere can you find such English coaching class.**
**CLASS COMMENCING SHORTLY. GET YOURSELF ADMITTED. SEATS ARE LIMITED.**
**6 TO 7:30 AM & 5:30 TO 7 PM**
**PLEASE CONTACT 8974642764**
HL-B/7261/2/11-2/12